# মণিপুর ওপন চালৌ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে, য়ুনাইটেদ সেক্তা ক্লব মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়ান আর্মিগী ৫৭ মাউন্টেন্ট দিভিজন লৈমখোংনা স্পোন্সর তৌরগা চালৌ য়ুথ য়ুনিয়ন ক্লব অমদি ৮শুবা বিহার রেজিমেন্ট অনীনা খুৎশম্নরগা ৯-এ সাইদ মণিপুর ওপন চালৌ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ ঙসিদগী লল্লাই এ সীগী মনুং চন্না লৈবা চালৌ লম্পাক্তা হৌদোকখ্রে।



টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরম অদুদা চালৌ ভিলেজ কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট শগোলশেম রঞ্জিৎ, বৃগেদিয়র পি কে সিংহ, আই জি পি (জোন ১) থেমথিং ঙসাংঙুৱা, লেফটিনেন্ট কর্নেল অমিৎ গুনকান, ৮শুবা বিহার রেজিমেন্টকী লেফটিনেন্ট উপাল দাস অমদি লেফটিনেন্ট কর্নেল টাইয়ুং সটসংনা মথংশিংনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি টুর্নামেন্ট হৌদোকপা নুমিৎকী অহানবা মেটচ ওইনা য়ুনাইটেদ সেক্তা এফ সী অমসুং এল এস আই সী লল্লাইগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী য়ুনাইটেদ সেক্তা এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা খরা হেন্না ফংখি। মেটচ অদুগী ২২ শুবা মিনটতা য়ুনাইটেদ সেক্তা এফ সীগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১০ গোল্ডনসননা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মদুগী মতুং ইকান কান্নদনা ২৮শুবা মিনটতা গোল্ডনসননা অমুক হন্না পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। এল এস আই সী লল্লাইগী মাইকৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং হন্দোকপা ঙম্নবা কন্না হোৎনখি। অদুবু বোল পায়বগী চাং নেমখিবনা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা এল এস আই সী লল্লাইগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু য়ুনাসটেদ সেক্তা এফ সীনা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকখিবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা শগোলশেম রঞ্জননা ফোঙদোকখিবদা অফবা খুন্নাই অমা শেম্নবা হোৎনবদা অফবা শান্নরোয় পুথোকপা মথৌ তাই। লোয়ননা নহাশিংবু ময়ায় কাবা চীঙাক্তগী লাপথোকহন্নবা হোৎনবদা শান্ন-খোৎনবনা মতেং চাওনা পাংই হায়বসি কাওরোইদবনি হায়খি।

# অবিয়ানা অহানবা ককচিং মুক্না যাত্রাগী মীংথোন ফংখ্রে

ককচিং, জুন ২১ (ঐচ এন এস): মোইরাংথেম অবিয়া (মুক্না যাত্রা ককচিং খুলেন ইবুধৌ খল্লাংবা ২০২৫)না অহানবা ককচিং মুক্না যাত্রাগী মীংথোন ফংখ্রে।

ইন্দিজিনস মুক্না এসোসিএসন (আই এম এ) ককচিংনা শীন্দুনা অহানবা ওইনা ঙসি ককচিং সঙ্গাইয়ুম্ফমদা লৈবা সেন্ট্রেল পব্লিক হোল, ৱাই এম হায় স্কুল কেম্পসতা পাঙথোকপা অহানবা ককচিং মুক্না যাত্রা খন্নবগীদমক শান্নখিবা মুক্নাদা নাওবা নাওরেম (মুক্না যাত্রা, ককচিং ৱাইরি ইবুধৌ খল্লাংবা ২০২৫) অমসুং মোইরাংথেম অবিয়া (মুক্না যাত্রা ককচিং খুলেন ইবুধৌ খল্লাংবা ২০২৫) অনীনা শান্নখিবা মুক্নাদা নাওবা নাওরেমবু মুক্না থাদুনা অহানবা ককচিং মুক্না যাত্রাগী মীংথোন মোইরাংথেম অবিয়ানা ফংবা ঙমখিবনি।



ঙসিগী মুক্না অদুদা ককচিং ৱাইরি ইবুধৌ খল্লাংবা হরাওবা ২০২৫ অমদি ককচিং খুলেন ইবুধৌ খল্লাংবা হরাওবা ২০২৫গা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মুক্নাদা শমজিন চিনখ্রবা (মুক্না অথাবা অমদি অতুবা) পুন্না মুক্নারোয় ১৪/১৪না মুক্না শান্নখি। মুক্না অদুদা ককচিং খুলেন ইবুধৌ খল্লাংবা হরাওবা ২০২৫ মুক্না যাত্রা মোইরাংথেম অবিয়া য়াওনা মুক্নারোয় ৬ মায় পাকখি। অদুগা ককচিং ৱাইরি ইবুধৌ খল্লাংবা হরাওবা ২০২৫গী মুক্নারোয় ৮ মায় পাকখি।

ঙসিগী মুক্নাগী থৌরম অদুদা ককচিং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা অথোয়বা মীথুংলেন, ইন্দিজিনস মুক্না এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম বিরমঙ্গোলনা থৌরম মপু অদুগা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ক্যেরটেকর চ্যেরপার্সন নাওরেম সঞ্জিবকুমার, লোক্তাক দিভেলপমেন্ট ওথোরিটিগী চ্যেরমেন এম অশ্বিনিকুমার অমসুং ভুবোন এন্দ লৈরেন ব্রিক ফিল্ডগী প্রোপ্রাইটর নাওরেম নোপুরনা অথোয়বা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা অথোয়বা মীথুংলেন ওইখিবা এম এল এ রামেশ্বরনা মুক্নারোয়শিং অমদি মুক্না যাত্রাশিংগী মফমদা থাগৎ ৱাহৈ ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা মশান্না অসিবু য়োকখৎহন্নিংবগী অপাম্বসু ফোঙদোকখি।

# প্রেমিয়র লিগঃ সগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা এ আই এম অদুগা এফ সী আরনা অমোফা মোইরাং মাইথীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)কী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)না শীন্দুনা চখ্রিবা ২শুবা প্রেমিয়র লিগ ২০২৫-২৬কী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা এ আই এম অদুগা এফ সী আরনা অমোফা মোইরাং মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা নিসা অমসুং য়ু দি ও মান্নবা পাঞ্জলশিং চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

ঙসিগী অহানবা মেটচ ওইনা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদ অমসুং এ আই এমগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমবু লাকচনা কন্ত্রোল তৌদুনা শান্ননবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙম্নখিদে। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ৬১শুবা মিনটতা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী শান্নরোয় লেনিন থোঙামনা মেটচ অদুগী অমদি মখোয়গী টিমগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু সগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা পাঞ্জল ১-০দা পায় পাকখিবনি।

ঙসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা অমোফা মোইরাং অমসুং এফ সী আরগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী ওইনা এফ সী আরগী শান্নরোয়শিংনা খরা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু এফ সী আরনা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকপা ঙমখ্রে। ঙসিগী অহুমশুবা অমদি অরোয়বা মেটচতা নিসা অমসুং য়ু দি ওগী মরক্তা লম্বা তৌনখিবা অদুদা টিম অনীমক্না পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখিবনি।




## KHURAIJAM BIDYARANI MEMORIAL MERIT AWARD 2024-25 LITTLE FLOWER SCHOOL, IMPHAL



The awards is instituted by the Kh. Jugindro and Kh. (O) Y. Achoubi Devi of Yumnam Huidrom in the memory of their daughter (late) Khuraijam Bidyarani Devi. The memorial felicitation programme of H.S.L.C. Topper 2024-25 of Little Flower School was held on 21st June, 2025. May heartiest Congratulation to the awardee daughter of Little Flower School. We wish you all the best and pray to God for your success in all your efforts in the future.

***Award instituted by :-***
**Kh. Jugindro Singh and Kh. (O) Achoubi Devi**
Yumnam Huidrom

### KHURAIJAM BIDYARANI DEVI

পাপা মমা অনীগী থৰায়গী মণি ওইজরন্বী অবেম, নহাক্কীদমক পাপা-মমা অনীনা ইচানা তল্লম্বা School দা Merit Award অমা ইচাগীদমক কৎলি, মতম য়ৌরক্লে থৌরম পাঙথোক্লে। ইচাগী থৰায়না ঈশ্বরগী মফমদা ঈংনা শান্তি ওইনা লৈরুনবা পাপা-মমা অনীনা ইচাগীদমক Position Holder শিংদা ঙমজবা পৈশা খরা Certificate অমগা লোয়ননা খূদোল তল্লি। তাইবঙ শেন্বা মপুনসু উবীরমগনি। ইচাগী থৰায়না ঈংনা, শান্তি ওইনা লৈরুনবা।

*খুরুমজরিবাঃ-*
**মপা- খুরাইজম জুগিন্দ্রো সিংহ**
**মমা- খুরাইজম ওংবী অচৌবী দেবী**
য়ুম্নাম হুইদ্রোম মখা লৈকাই

HL-P/2458/22

# ত্রাইএল সিলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ২১ (ঐচ এন এস): চহী অসিগী ওগষ্ট ৮দগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪রক শুবা সিনিয়র নেশনল টাইক্বান্দো চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা শরুক য়ানবা মণিপুর টিম শেম্নবগীদমক ওপন সিনিয়র ষ্টেট ত্রাইএল সিলেক্সন (ক্যোরুগি/পুমসে) অমা থা অসিগী ২৬তা পাঙথোক্লগনি।

হায়রিবা ত্রাইএল সিলেক্সন অসি ৱুক্সি ২০২৫ ৱর্ল্ড টাইক্বান্দো চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়াবা ফংনবগী লন্বী অমসু ওইগনি হায়না মণিপুর এমেচর টাইক্বান্দো এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## Ph.D. DEGREE AWARDED



Visva-Bharati Santiniketan has awarded the degree of Doctor of Philosophy in Manipuri Dance (Nata Sankirtana), to Lukram Tamphamani Singh, S/o. Lukram Angouton Singh and Lukram Ongbi Thourani Devi of Hiyanglam Awang Leikai Kakching District on 13th June, 2025 vide Memo No. Exam, Ph.D/2024-25, Santiniketan bearing Registration No. VB-4409 of 2020-21. He worked under the supervision of Prof. (Dr) Sruti Bandopadhay, Principal and HoD, Rabindra Sangit, Dance & Drama, Sangit Bhavana, Visva-Bharati Santiniketan and worked on the thesis entitled: AN ASSESSMENT OF THE CONTRIBUTIONS OF GURU THANIL, GURU LAKPATI AND GURU CHAOBHAL IN PUNG, EESHEI AND CHOLOM RESPECTIVELY IN THE CONTEMPORARY MANIPURI NATA SANKIRTANA.


He has published many papers in International and National Journals. He is married to Sagolsem Roma daughter of Sagolsem Chandramani Singh of Sagolband Nepra Menjor Leikai Imphal.

We wish him heartiest congratulations and success in all of his future endeavours.

*With Best wishes from*
Family, Relatives and Friends:
Iramdam Sheishak Lup Kha Manipur,
Progressive Artiste Laboratory (PAL) Imphal,
Sanchali ( A centre for performing Arts) Haobam Marak Ngangom Leikai Imphal,
Guru Gulapi Nata Sankirtana Academy Kwakeithel Imphal,
Shri Hari Nata Sankirtana Academy Keishamthong,
Guru Irabot Institute of Manipuri Culture, Bashikhong Imphal,
Nata Sankirtana Dance and Music Academy Kwakeithel Heinou Khongnembi Imphal

HL-P/2460/22

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 1511

**Mads Andersen (2605) - Vegar Koi Gandrud (2351)**
**Xtracon Chess Open Helsingor DEN, 2019.07.24**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 g6 | 3.Nf3 Bg7 | 4.e3 O-O | 5.Be2 c5 |
| 6.d5 d6 | 7.Nc3 e6 | 8.O-O exd5 | 9.cxd5 Re8 | 10.Nd2 a6 |
| 11.a4 Nbd7 | 12.Nc4 Ne5 | 13.Na3 g5 | 14.f4 gxf4 | 15.exf4 Ng6 |
| 16.Nc4 Ne4 | 17.Nxe4 Rxe4 | 18.f5 Ne5 | 19.Qc2 Rd4 | 20.Be3 Rxd5 |
| 21.f6 Bf8 | 22.Qe4 Be6 | 23.Nxe5 Rxe5 | 24.Qh4 c4 | 25.Rf3 Kh8 |
| 26.Bxc4 Bxc4 | 27.Qxc4 d5 | 28.Qg4 Rxe3 | 29.Rxe3 Qb6 | 30.Rae1 Re8 |
| 31.Qg3 Rxe3 | 32.Rxe3 Qxb2 | 33. ... | | |

**QUESTION : White to checkmate**

**Puzzle 1510 Solution :**

**34. Qf6+** *The white queen deflects Black's queen away from protecting the square e8. Opening the line from e8 to h8.* **Qxf6**
*34...Qg7 35.Qxg7#*
*34...Kg8 35.h7#*
**35. Re8+ Qf8 36.Rxf8#**
**1-0**



Title : Doll
By : Avantika Chabungbam
Class : I Roll No. : 27 Sec :
School : Mahei Leikol Kids Foundation, Bishnupur



Title : A Cat
By : Takhellambam Henthoiba
Class : KG Roll No. : 43 Sec. :
School : RB Academy Lamsang



Title : Naruto
By : Laishram Bhumeshor
Class : II Roll No. : 17 Sec. :
School : Heibongpokpi School Quantum Stem Academy




Title : Gojo and Goku
By : Yeninghunba
Class : I Roll No. : 10 Sec. : A
School : IPS




Title : Hut
By : RK Amy Changkhonbi
Class: KG-2 Roll No. : 19 Sec. : Pansy
School : Blooming Dale School




Title : A Unicorn Ice cream
By : Sagolsem Jhansi
Class : II Roll No. : 48 Sec. : Tulip
School : SL Arena of Learning



Title : Goku
By : Singakhongbam Iftikhar
Class : VII Roll No. : 20 Sec. : A1
School : M I Academy




Title : Luffy
By : Soibam Chenchen Meitei
Class : II Roll No. : 2 Sec. :
School : Ningombam Junior High School, Ningombam




Title : Upgraded T.V. Man
By : Tamnganba Karam
Class : I Roll No. : 12 Sec. :
School : Maichou Khongnangthaba Maheikol




Title : Save the Earth
By : Vive Sagolshem
Class : I Roll No. : 25 Sec. : B
School : Christ Jyoti School




Title : Cafe
By : Khushi Sagolshem
Class : IV Roll No. : 33 Sec. : A
School : Nirmalabas School (Junior)



Title : Sprunki Adult Oren
By : Goldy Wangkheimayum
Class : Roll No. : Sec. :
School : St. George High School



Title : Snowman
By : Takhelchangbam Nishila Sharma
Class : I Roll No. : 4 Sec. :
School : Shemrock Prime Lamsang



Title : Rainbow
By : H. Chitambaram Sharma
Class : N-II Roll No. : 13 Sec. : A
School : Pitambara English School



Title : Titen TV Man
By : H. Garish Sharma
Class : III Roll No. : 19 Sec. : B
School : Pitambara English School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্লীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com